## ইলেক্সন দ্যুটিদা ...

*লামায় ১গী মখা...* (পিওন), দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস, এম য়ুগী কোন্সম সোভাসচন্দ্র (এসিষ্টেন্ট), গ্রাম সেবক ত্রেনিং সেন্টরগী এম দি সিরাজ উদ্দিন অমসুং এম য়ুগী ইঞ্জিনিয়ারিং সেলগী য়ুমলেম্বম সুকুমার (এটেন্ডেন্ট) নি। মখোয় মরিদা এসাইন তৌবা থবক অসিগীদমক ঙরাং নুপীলাল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রামদা শরুক য়ারখিদবনি। লোয়ননা ঙসিসু মরী লৈনবা আর ওশিংদা রিপোর্ট তৌরখিদবনি হায়রি। মরম অসিনা মখোয় মরিগী মথক্তা মরী লৈনবা আর ওশিংনা রিপোর্ট তৌরকপগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর, ইম্ফাল ৱেষ্টনা মখোয়বু সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌখিবনি হায়রি।

## ডা. লোকেনগী...

*লামায় ১গী মখা...* শরুক য়াখিবা মীরেপকী মায়কৈদগীসু মহাক্না শগোলবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগীদমক পাঙথোক্কে খল্লিবা থবক থৌরমশিং মীয়ামদা শুগাইনা ফোঙদোকখি।

শগোলবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসি মণিপুরগী অতোপ্পা এসেমব্লি সেগমেন্টশিংদগী তোপ তোপ্পা মোদেল কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবসু পীখি।

পনবা য়াবদি, ডা. খ্বাইরাকপম লোকেননা এ সী অসিদা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) কী মীরেপ ওইরগনি হায়দুনা লাউথোকখিবগা পন্থদনা মহাক্কী মায়কৈদগী পোইন্ট তরেৎ য়াওবা ৱাফমশিং অইবা চেরোল ওইনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীয়ামদা মাঙজৌননা ফোঙদোকখ্রবনি। মীখলগা মরী লৈননা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পীরিবা কেম্প্যেন চৎথবা য়াবগী অরোইবা মতম ফাওবদা মহাক্না এ সী অসিগী মফম পুম্নমক্কী মীয়ামগা হকথেংননা উনদুনা মীখল অসি ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সন ওইহন্নবা অমসুং মীয়ামগী থবক তৌবা ঙমগদবা মীওইশিং থাগৎনবা কেম্প্যেন চথখিগনি হায়রি।

## লম্বী থোং শেমগৎ...

*লামায় ১গী মখা...* য়াবা কেন্দদেট অমনি লোয়ননা মহাকপু মীয়াম্না শৌগৎপীদুনা বি জে পিদা ভোট পীবিয়ু হায়নসু থৌরম অদুদা ফোঙদোক্লমখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা পোলিটিকেল কনফরেন্স অদুদা হান্নগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল চান্দেলগী মেম্বরশিং, বি জে পিগী লুচিংবশিং অমদি মোরেদা লৈবা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিতি কয়াগী লুচিংবশিং য়াওনা নুপী লূপশিংনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

## চীফ মিনিষ্টর...

*লামায় ১গী মখা...* মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি কে এস ঐচ শান্ত, সী পি এমগী সেক্রেটরিএট মেম্বর সরত সলাম, এ আই এফ বি মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি গ্যানেশ্বর, তেন্থা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এন প্রদিপ, লাঙথেল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এম দি রুসন, শঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট ৱান জি পিগী প্রধান এম দি জাকির, দি সী সী থৌবালগী প্রসিদেন্ট এল লুখোই অমসুং ৱাংজিং তেন্থা বি সী সীগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ গোপেশ্বরনা অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 84.638712 |
| US Dollar | 74.614740 |
| British Pound | 101.593844 |
| Australian Dollar | 53.704373 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.778920 |
| Japanese Yen | 0.649399 |
| Malaysian Ringgit | 17.851392 |
| Singapore Dollar | 55.408217 |
| South Korean Won | 0.062508 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.897264 |
| Thai Baht | 2.313449 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Benglore | – | Rs | 5018.00 |
| Chennai | – | Rs | 5162.00 |
| Delhi | – | Rs | 5018.00 |
| Hyderbad | – | Rs | 5018.00 |

## GAS NEWS

**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (9366365769)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei AC etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking upto 14/01/2022**
Valid from 28/12/2021

## রোহিট মীহাৎতা চেন্নবা মীওই ৬কী ...

*লামায় ১গী মখা...* মীওই ৬ অদু ঙসি কোর্টতা পুথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বনি অদুবু হৈরোক্কী মশীং য়াম্লবা মীয়ামগী ঈহৌনা মরম ওইরগা কোর্টতা পুথোকখিদ্রে। তুংদা ভিদিও কনফরেন্সকী খূথাংদা হিয়ারিং চথখিবনি। মীশি অসিদা চেন্নরিবা মীওই তরুকমক ঙসি কোর্টতা পুথোরক্কনি হায়বদগী অয়ূক পুং ১০ রোম তাবদগী মীশি অদুগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সী অগেনষ্ট দি ব্রুটেল কিল্লিং ওফ এন রোহিটনা শীন্দুনা হৈরোক্তগী মশীং য়াম্লবা নুপী ময়াম অমনা মহৈরোয় রোহিট মীহাৎতা চেন্নবা মীওই তরুকমক মতিক চাবা চৈরাক পীবিয়ু হায়না থৌবাল কোর্টকী গেট নমখায়রগা কোর্টকী থোঙজিন্দা খোঙজং চঙশিন্দুনা কোর্ট অদুবু মীয়াম্না কোয়শিন্দুনা থমখি। খুদক্তা থৌবাল এস পি জে াগেসচন্দ্র হাওবিজমসু য়েংশিনবা লাক্লুনা ঈরাং অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনখি।

ঙসি চথুগদবা হিয়ারিং অদু রিজার্ভ তৌদুনা থমখ্রে, হয়েং লাউথোক্লগনি হায়রকপদগী কোর্ট কমপ্লেক্স মনুংদা লৈরিবা খোইশাওনরবা নুপীশিং অদুনা ঙসিগী নুমিৎতা জজনা অচুম্বা ৱায়েল লাউথোকউ, জজ চৎখিবা য়ারোই হায়দুনা কোর্টকী মনিং অমদি মমাঙ থোঙদা থিংদুনা লৈখি। মদুগী মতুংদা এস পি থৌবাল য়াওনা জে এ সীগী মরু ওইবা মীওই খরগা উনরুরবা মতুং জে এ সীদা জজনা হৌজিক মখোয়বু বেলদা থাদোকপগী ৱাফম লৈতে। বেল এপ্লিকেসনগী জজমেন্ট অদু রিজার্ভ তৌদুনা থমখ্রে। অচুম্বা ৱায়েল ভোট মতুংদা লাউথোক্লগনি হায়না থাজবা পীরকপদগী খোইশাওনরম্বা নুপীশিং অদু হন্নখি হায়রি।

## ইমালোল মৃৎপদা খুন্নাইসু মৃৎলি ...

*লামায় ১গী মখা...* হায়না পান্নরি। অদুবু য়ুনেস্কোনা লোল অসি মাঙখিবা য়াবগী মিপাইনীংঙাই ওইরক্লবা লোলগী মনুং চল্লবা লোল অমনি হায়খিবসু লৈখ্রে। লোল অসিবু চাওখৎনবগীদমক মিলাল, লূপশিং অমসুং লৈবাক মীয়াম পূন্না হোৎনমিন্নখিবা অদুনা কুমজা ২০০৬কী অহানবা তাঙ্কক্তগী মহৈ তম্বা হৌরকপদুনা ঙসিদি এম এগী মরিশুবা সেমিষ্টর ফাওবা য়ৌশিল্লক্লে। এম এ লোইশিল্লক্কদবা শুপ্নগী থাবুম খরদং ঙাইরবা অসি ফাওবা য়ুনিভর্সিটিশিংদা মপূং ফানা মীতৈ ময়েক্তা হন্দোকপা টেক্সবুক ফংহনবা ঙমদনা লৈরি। লোয়ননা মহৈলোয়শঙশিংদা মতিক চারবা ময়েক্তা ফজনা হায়খ্রবা ২০১৬তা লৌখিবা মীতৈ ময়েক্কী ওইবা টি ঈ টি পাস তৌখ্রবশিংসু হৌজিক ফাওবা ওজা হাপ্পীদনা লৈরে। মিলালনা কন্না তকশিনবসু লৈখ্রবনি। মণিপুরী দিপার্টমেন্ট অমসুং মরী লৈনবা লৈঙাক্কী থৌ পুবশিংনা লোল অসিবু থৌশাদবগী মমি তারি। য়ু জি সী নেট, য়ু পি এস সী এগজামদা হন্দক্তসু মীতৈ ময়েক্কী ৱাহং চেয়াওখিদবা অমসুং য়ু পি এস সীদা মীতৈ ময়েক্কী ওপসনেল লেংগ্বেজ হাপ্পীখিদবা অসি লাইবক থীবনি অমদি খুন্নাই অসিগী মাঙজবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মার্চ ৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা ...

*লামায় ১গী মখা...* থৌওং অসি মীয়াম্না থৌনা ফনা থেংনমিন্ননবগী মতম য়ৌরে। উমংলাই লাৎপীরিবা অমদি শরোই খাংবীরিবা লৈকায়, খুল খুদিংমক্না মীখলগী মীংদা ফুরুপকী চৎনবী মৃখুৎতুনা শৈদাংবা ফুরুপ অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবা ঈ সী আই নৎত্রগা সী ঈ ওগী থৌওং অসিগী মায়োক্তা হৌনবা নাইদনা থেংনবসু মথৌ তারে।

পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মীরেপ ওইগদৌরিবা ইরৈচা খুদিংমক্লসু বন্দ মনুংদা মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরম অমত্তা পাঙথোকপীদনা য়ূম য়ূমদগী হেন্দোকপীগনু। তুংগী লুচিংবা ওইবীগদৌরিবা মীরেপশিংনসু তুংগী ওইরক্কদবা লমদম অসিগী ফুরুপশিংগী ফীভম য়েংবীরগা বন্দ অসি মপূং ফানা শৌগৎপীয়ু। বন্দ অসিদা মৈ, ঈশিং, অনা লায়েং, ঈ-পাউ অমদি মীয়ামগী মথৌ তাবা থবকশিংদি কোনশিঞ্জরোই। করিগুম্বা বন্দ থুগাইদুনা ফুরুপকী চৎনবী কঞ্জনবা হোৎনরিবা অসিগী মায়োক্তা লাকপশিংদা থোরকপা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংগী থৌদাং উকল অমদি উকলগা লোয়ননা বন্দ কৌজরিবশিংনা লৌজরোই, মশা মশাগী থৌদাং ওইগদবনি। লোয়ননা বন্দ অসি শৌগৎপীরকপা কনাগুম্বা-কনাগুম্বী অমত্তনসু ভাইওলেন্স ওইবা থৌওং চথবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কোংগ্রেস লৈঙাক্তনা মণিপুর ...

*লামায় ১গী মখা...* পাম্বী থানবা হোৎনরিবা অসিসু কম্পনি খরদা কান্নবা পীনবা থবক অমনি। অদুবু কোংগ্রেস লৈঙাক্লদি মণিপুরগী লৌমীশিংবু তশেংনা কনবা পাম্মী। লোয়ননা বি জে পি লৈঙাক্না নুপীশিংবু ইকায় খুমনৈ অমদি মখোয়বু য়োকখৎবা পাম্মী হায়না মচিন্দা লাউরগসু বি জে পি লৈঙাক অসিনা মণিপুরদা ইমা কৈথেল কয়া শাখিবা লৈখ্রবগে। মণিপুরগী নুপীশিংগীদমক্তা করি করম্বা চাওখৎ-থৌরাংগী থবক পায়খৎখিবা লৈরে। অদুবু কোংগ্রেস লৈঙাক্লদি মণিপুরী নুপীশিংগীদমক্তা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া পায়খৎখি। ঙসি ইম্ফালদা লৈরিবা ইমা কৈথেলশিং অসি কোংগ্রেস লৈঙাক্না শাখিবা ঙাক্তনি। ঙসি মণিপুরদা নত্তনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংদা থবক ফংদবগী প্রোব্লেম নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। প্রোব্লেমশিং অসি কোক্লনবা বি জে পি লৈঙাক্না ঙসি ফাওবদা থবক অমত্তা পায়খৎলক্ত্রি। করিগুম্বা কোংগ্রেসনা অমুক হন্না লৈঙাক পায়রক্লবদি মমাংদা পার্টি অসিনা মীয়ামগীদমক তৌখিবা থবকশিংদগী অমুক্কা হেন্না মপুং ফানা পূম্নমক্কী থবক তৌগনি।

মালেমগী লৈবাকশিংদা লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা কোভিদ ভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা পুখম থিল্লু অমদি মোবাইলগী টোর্চ লাইট থাল্লু হায়বা প্রাইম মিনিষ্টর অসি নরেন্দ্র মোদি খক্তা ওইরমগনি। কোভিদনা নারবা মীওইশিংদা মতিক চানা ভেন্টিলেটর, ভেক্সিন অমদি ফমুং মতিক চানা পীবা ফাওবা ঙমখিদে। ঙসিসু কোভিদ ভেক্সিন মপুং ফানা কাপথোকহনবা ফাওবা ঙমদ্রি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমদি সী এল পি লিদর ওক্রম ইবোবিনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর চহী মঙা মমদুনা লৈরুরে মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়দুনা অঙানবা লম্বীদা লাক্লবা হোৎনমিন্নরসি। বি জে পিগী লুচিংবা কয়া লাক্লুনা ষ্টেট অসিদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোকপা মতমদা মীফম অদুদা য়াওরিবা মীওই খুদিংদা লুপা ২০০দগী ৫০০ ফাওবা পী হায়বগী পাউসু লৈতবা নত্তে। ঙসি পাঙথোক্লিবা মীফম অসিদা য়াওনবগীদমক লাক্লিবা মীওইশিংদা কোংগ্রেস পার্টিনা শেল পীবা লৈতে। বি জে পিবু ইন্দিয়াদগী অমদি মণিপুরদগী মপুং ফানা মুখৎনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরে। নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুর অসি দেল্লিদা লৈরে হায়খি। প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর, য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং য়াম্না তোয়না লাক্লবসু ঙসি ফাওবদা মণিপুর মীয়ামগী অখন্নবা পেকেজ অমা ফাওবা পীরমখিবা লৈত্রি। অদুবু কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা সেন্ট্রেলগী লুচিংবশিং লাকখিবা মতমদা মণিপুর মীয়ামদা শেংলবা লাইফম কংলা মীয়ামদা শীন্নরম্মি। রিমস হোস্পিটালবু সেন্টরনা লৌশিনখি। মসিগী মথক্তা তোঙান-তোঙানবা চাওরবা লম্বী-থোং শেম্নগী পেকেজ কয়া থাদরকখি। অদুবু নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর হেক ওইবদগী লমদম অসিদা মশক থোকপা থবক অমত্তা পায়খৎত্রি। ঙসি-ঙসিমক বি জে পি লৈঙাক্না খুৎকা-চিনগা মান্নবা লৈঙাক অমনি হায়রবদি ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি অমদি জেনিমস হোস্পিটালবু সেন্টরনা লৌশিনবিরগা উৎপিয়ু।

বি জে পিনা হেক লৈঙাক পায়রকপদগী গ্যাস সিলিন্দরদগী হৌরগা নোংমগী চঙবা পোৎলমশিংগী মমল খম থেংনা ৱাংখৎলক্লে। রেলৱেগী থবক পায়খৎলিবা অসিসু কোংগ্রেসকী মতমদা থবক তৌবা হৌদুনা চাদা ৭০দি থবক তৌবা লোইখ্রবনি। অদুবু মদুসু ঙসি ফাওবা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরি। এসিয়ান দিভেলপমেন্ট ফন্দদগী ইম্ফালদগী কসোম খুলেন তাবা লম্বী অসিসু কোংগ্রেসনা শেমগৎলম্বনি। আই আই আই টি সেন্টরসু চীং অমদি তমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা শাগৎখি। বি জে পি লৈঙাক অসিনা গো টু ভিলেজ অমদি গো টু হিল্সনচিংবা থৌরম কয়া পায়খৎলিবা অসি তশেংনা ফাগি তাবা হায়বদু ওইরবনি। থৌরাং অসিগী মনুংচন্না ময়েক থোকপা থবক্তি অমত্তা পাঙথোক্তনা শুপ্নগী খুঙ্গং-খুঙ্গংশিং অদুগী প্রধানশিংনা তৌগদবা থবকশিং অদু ওইনা মখোয়না তৌদুনা লৈরে। ঙসি ফাওবদা চীং অমদি তমগী লমশিংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল লৈত্রিবশিং অসি শাখিবা লৈখ্রবরা হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। চীংদা চৎলগা বি জে পি লৈঙাক্না লাউথোকখিবা পেকেজশিং অদু থবক্তা ওইনা ওন্থোক্লবরা হায়বসিসু পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। করিগুম্বা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াবু কলহৌসি অমদি দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈহনসি হায়রবদি লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা কোংগ্রেসনা অমুক হন্না লৈঙাক পায়বগী তঙাইফদবা লৈরে। কুমজা ২০২৪দা সেন্টরদসু নরেন্দ্র মোদি লৈররোই। চহী মঙা মল্লগা লৈরুরবা মণিপুরবু অমুক হন্না ঙালহল্লসি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমদি সী এল পি লিদর ওক্রম ইবোবিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইলেক্সন মণিপুর ইন চার্জ ভক্তচরন দাস, ইলেক্সন ওবজার্ভর জয়রাম রমেশ, সী এল পি লিদর গাইখাঙম, এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট এন লোকেন, এন পি সী সীগী প্রসিদেন্ট কেৱেখাপে থেরে, হান্নগী পি সী সীগী প্রসিদেন্ট হাউকিপ অমদি ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০গী কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইগদবা কেন্দিদেটশিংসু শরুক য়াখি।

**Format C-I**

Declaration about criminal cases *(for candidate to publish in Newspapers, TV)*

*(As per the judgment dated 25th September, 2018, of Han 'ble Supreme Court in WP (Civil) No. 536 of2011 (Public Interest Foundation & Drs. Vs. Union of India & Anr.)*

Name and address of candidate: **MR MAYANGLAMBAM RAMESHWAR SINGH**
Name of political party: **NATIONAL PEOPLE'S PARTY**
*(Independent candidates should write "Independent" here)*
Name of Election **12th MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY ELECTION, 2022**
*Name of Constituency: **37-KAKCHING ASSEMBLY CONSTITUENCY**
I **MR MAYANGLAMBAM RAMESHWAR SINGH** a candidate for the abovementioned election, declare for public information the following details about my criminal antecedents:

| Sl. No. | Pending criminal cases | | | Details about cases of conviction for criminal offences | |
|---|---|---|---|---|---|
| | Name of Court | Case No. and status of case | Section(s) of Acts concerned and brief description of offence(s) | Name of Court & date(s) of order(s) | Description of Offence(s) & punishment imposed |
| 1. | **In the Court of Special Judge (CBI) East Khasi Hills District Shillong** | **Special (CBI) Case No. 1 OF 2015**<br><br>**Disposed of by the Hon'ble Court and I have been discharged.** | **Under Section: 120B, 420, 407 of the Indian Penal Code (I.P.C.), 1860 and 13(2) Read With (R/W) Section 13(1)(d) of the Prevention of Corruption (P.C.) Act,1988,**<br><br>**Punishment of Criminal Conspiracy under section 120B of the Indian Penal Code (I.P.C.),1860 for committing offence under:**<br>**(1) Section 420 of the Indian Penal Code (I.P.C.),1860: Cheating and inducing delivery of property,**<br>**(2) Section 407 of the Indian Penal Code (I.P.C.),1860: Criminal breach of trust by carrier, etc. and**<br>**(3) Section 13(2) of the Prevention of Corruption (P.C.)Act,1988:Punishment for criminal misconduct by Public Servant R/W Section 13(1)(d) of the Prevention of Corruption(P.C.) Act,1988 : Criminal misconduct by Public Servant** | **Court of Special Judge (CBI) East Khasi Hills District Shillong and final order dated 20th October, 2021.** | **NIL**<br>**N.B. I have been discharged from the above case on 20.10.2021** |

*In the case of election to Council of States or election to Legislative Council by MLAs, mention the election concerned in place of name of constituency.
Note: (i) Details should be given separately for each case in separate rows. (ii) The matter in newspapers should be in front size of atleast 12.

**Sd/- Mayanglambam Rameshwar Singh**
**Signature of the Candidate**

HL-B/7476/19,22

**Format C-2** *(For political party to publish in website, newspaper, TV)*

Declaration about criminal antecedents of candidates set up by the party

*(As per the judgment dated 25th September, 2018, of Han 'ble Supreme Court in WP (Civil) No. 536 of2011 (Public Interest Foundation & Drs. Vs. Union of India & Anr.)*

Name of Political Party : **NATIONAL PEOPLE'S PARTY**
*Name of Election : **12th MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY ELECTION, 2022**
Name of State/UT : **MANIPUR**

| 1. | 2. | 3 | 4. | | 5. | |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Sl. No. | Name of candidate | Name of constituency | Pending Criminal cases | | Details about cases of conviction for criminal offences | |
| | | | Name of Court, Case No. & Status of the case(s) | Sections of the Acts concerned & brief description of offence(s) | Name of Court & date(s) of Order(s) | Description of offence(s) & punishment imposed |
| 1. | **MR MAYANGLAMBAM RAMESHWAR SINGH** | **37-KAKCHING ASSEMBLY CONSTITUENCY** | **Court of Special Judge (CBI) East Khasi Hills District Shillong**<br><br>**Special (CBI) Case No. 1 OF 2015**<br><br>**Disposed of by the Hon'ble Court and I have been discharged.** | **Under Section: 120B, 420, 407 of the Indian Penal Code (I.P.C.), 1860 and 13(2) Read With (R/W) Section 13(1)(d) of the Prevention of Corruption (P.C.) Act,1988,**<br><br>**Punishment of Criminal Conspiracy under section 120B of the Indian Penal Code(I.P.C.),1860 for committing offence under:**<br>**(1)Section 420 of the Indian Penal Code (I.P.C.),1860: Cheating and inducing delivery of property,**<br>**(2)Section 407 of the Indian Penal Code (I.P.C.),1860: Criminal breach of trust by carrier, etc. and**<br>**(3)Section 13(2)of the Prevention of Corruption(P.C.)Act,1988:Punishment for criminal misconduct by Public Servant R/W Section 13(1)(d) of the Prevention of Corruption(P.C.) Act,1988 : Criminal misconduct by Public Servant** | **Court of Special Judge (CBI) East Khasi Hills District Shillong and final order dated 20th October, 2021.** | **NIL**<br>**N.B. I have been discharged from the above case on 20.10.2021** |

*In the case of election to Council of States or election to Legislative Council by MLAs, mention the election concerned in place of name of constituency.
Note: (i) The above information shall be published State wise for each State/UT.
(ii) The matter in newspapers should be in front size of atleast 12.

HL-B/7477/19,22

**Sd/- Russell Heisnam, General Secretary (Administration), NPP, Manipur**